# এ এফ সী য়ু-১৬তা কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং উজবেকিস্তানগা ইন্দিয়াগা গ্রুপ পুনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী):
চহীসিগী সেপ্টেম্বর ১৬তগী ওক্টোবর ৩ ফাওবা বহারেননা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ 'সী'দা সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং উজবেকিস্তানগা পুনখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী-১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা চহী অহুম থংনা-থংননা এ এফ সী য়ু-১৬ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। পুন্না ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা মমাঙদা টুর্নামেন্ট ৬সু ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখি। হন দক্কী অসিগী ওইনদি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা উজবেকিস্তানননা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা গ্রুপ 'বি'গী চেম্পিয়ন ওইদুনা মকোক ওইরগা ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ঙরাং অথেংবদা কোলালম্পুরদা পাঙথোকখিবা টিম ৮গী দ্রো অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী গ্রুপ 'সী'দা তাখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা টিম মরিমক কুমজা ২০২১দা পেরুনা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিং অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা মপুং ফানা শেম শারি হায়খি।

কোপা ইটালিয়া

# নাপোলিনা জুবেন্টসপু পেনাল্টি সুটআউটতা মায়থীবা পীদুনা কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

রোম, জুন ১৮ (এজেন্সী):
ইটালিদা পাঙথোকপা য়াম্না মরু ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিয়ন কপ হায়নসু খঙনবা কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেলদা নাপোলিনা জুবেন্টসপু পেনাল্টি সুটআউটতা পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬রক শুবা টাইটল লৌখ্রে।

নাপোলিগী কোচ ওইরিবা জেনারো গাতুসোনা টিম অদুগী মায়কৈদা অহানবা ওইনা লমজিংলকপদা য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি। নাপোলিনা কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৪দা ক্লব অসিগী পুৱারীগী ওইনা মরকশুবা টাইটল লৌখ্রবা মতুং হন্দক্কী চহী অসিদা টিম অসিনা ইটালিগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা অমদি লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট সেরি 'এ'দসু মাংজিল থারিবা জুবেন্টসপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

রোমগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা ভাবোক য়াওদনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা তৌনখিবা নাপোলি অমসুং জুবেন্টসকী টিম মেচকী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াবদি, জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবনা কোপা ইটালিয়া অসিগী টাইটল ১৩রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবনি। নাপোলিগী কোচ জেনারো গাতুসো মশামক ইটালিগী মমিং লৈবা ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানগী শান্নরোয় অমা ওইরকখি।



হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা মহাক্না নাপোলিগী হান্না কোচ ওইরম্বা কার্লো এন্সেলোটিগী মহুৎতা কোচকী থৌদাং অদু লৌরকখিবনি।

মহাক্না নাপোলিগী কোচ অমা ওইরগা জুবেন্টসপু পেনাল্টি সুটআউটতা পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রবা মতুং কোপা ইটালিয়াগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং ফোঙদোরকপদা মহাক্না ক্লব অদুগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা থৱায় য়াম্না য়াওবা অমদি হোৎনবা লেপ্তবগী মহেনা জুবেন্টসপু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি হায়খি।

মেচ অদুগী হৌরকপা ৫শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংজখি। পেনাল্টি সুটআউট অদুদা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী পাউলো দিবালা অমসুং দোগ্লস কোষ্টা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্তালা হরিকৃষ্ণ চেছসেবল মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকীদমক শেম শাখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর পেন্তালা হরিকৃষ্ণ য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চেছসেবল মাষ্টর্স টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈবাক খুদিংমক্না থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা ওনলাইনদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় নোরৱেগী মেগনস কার্লসননা শীনবা চেছ টুর অসিগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অসিদা অতোপ্পা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৭কা লোয়ননা ইন্দিয়াগী পেন্তালা হরিকৃষ্ণ শরুক য়াগদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক জেক রিপব্লিক্কী কোনুং প্রাগতা লৈরিবা হরিকৃষ্ণনা ফোঙদোরকপদা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিং অসিগা কম্পিটিসন শরুক য়াবা ফংখিবা অদুনা মহাক্কী করিয়রদা অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংলগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তারকপদা, চেছ মশান্না অসি হান্নগী মতৌগুম্না শান্নরোয় অমগা ফম্মিন্নদুনা লম্বা তৌনরকপদা লৈবা কম্পিটিসনগী ৱাখল্লোল অদুগা ওনলাইনদা শান্নবা অসিগা খেন্নবা খরা লৈ। অদুবু মহাক্না ওনলাইদা মশান্না অসিগী অতেনবা ফোর্মেটিতা শান্নবা হেন্না খুৎলোয়ননবা মহাক্কী খঙনা-চানবা মীওইশিংগা লোয়ননা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথরি।



শান্নবগী লমদা ফুটবোলগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা হান্না পন্দুনা লৈরম্বা লীগ টুর্নামেন্টশিং মখা চথবা হৌরখ্রবসু অতোপ্পা মশান্নশিং মরু ওইনা কন্টেক্ট স্পোর্টস ওইরিবা রেষ্টলিং, বোক্সিং, জুদোনচিংবা মশান্নশিং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন লৈবা মরম্না শান্নবা য়াদনা লৈরি। পেতালা হরিকৃষ্ণবু টুর্নামেন্ট অসিগী কম্মিতিনা শরুক য়াননবা ইনভাইটেসন পীরকখিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

# মেনচেষ্টর সিটিনা অরস্নেল ফুটবোল ক্লবপু ২৯শুবা রাউন্দগী মেচতা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

লন্দন, জুন ১৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা মালেম শীনবা থুংনা থম্লকখিবা তোঙান-তোঙানবা লোকদাউনগী অথিংবনা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপ্লুরবা মতুং ইংলেন্দদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মেনচেষ্টর সিটিনা অরস্নেল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অরস্নেলগী টিম অসি লীগ অসিগী ওইনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ২৮দা পোইন্ট ৪০ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, মেনচেষ্টর সিটি রাউন্দ ২৮দা পোইন্ট ৫৭ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা শান্নরকখি। অদুবু হাপ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী আর ষ্টর্লিংনা পাঞ্জল অমা চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাবা ঙম্লবা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা অরস্নেলগী মায়কৈদগী টিম অদুগী পেনাল্টি এরিয়াদা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা মেনচেষ্টর সিটিদা ফংখি।

খুদোংচাবা অদু মেনচেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় কেবিন দি ব্রুননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোরবোর্দ অদুদা মখোয়না অরস্নেলবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল ২ শোথরবা অরস্নেলগী টিমনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে।

মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লুবদা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পি ফোদেননা মেচকী ৯০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অরস্নেলবু ৩-০দা শোইরগা পোইন্টস ৬০ ফংদুনা টিম ২০গী লম্বা অসিদা অনীশুবদা লৈরি। চপ মান্নবা মেচ মশিংনা লিভরপুলনা পোইন্ট ৮২ ফংলগা মাংজিল থারি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Liverpool | 29 | 27 | 1 | 1 | 66 | 21 | +45 | 82 |
| 2 | Manchester City | 29 | 19 | 3 | 7 | 71 | 31 | +40 | 60 |
| 3 | Leicester City | 29 | 16 | 5 | 8 | 58 | 28 | +30 | 53 |
| 4 | Chelsea | 29 | 14 | 6 | 9 | 51 | 39 | +12 | 48 |
| 5 | Manchester United | 29 | 12 | 9 | 8 | 44 | 30 | +14 | 45 |
| 6 | Sheffield United | 29 | 11 | 11 | 7 | 30 | 25 | +5 | 44 |
| 7 | Wolverhampton | 29 | 10 | 13 | 6 | 41 | 34 | +7 | 43 |
| 8 | Tottenham Hotspur | 29 | 11 | 8 | 10 | 47 | 40 | +7 | 41 |
| 9 | Arsenal | 29 | 9 | 13 | 7 | 40 | 39 | +1 | 40 |
| 10 | Burnley | 29 | 11 | 6 | 12 | 34 | 40 | −6 | 39 |
| 11 | Crystal Palace | 29 | 10 | 9 | 10 | 26 | 32 | −6 | 39 |
| 12 | Everton | 29 | 10 | 7 | 12 | 37 | 46 | −9 | 37 |
| 13 | Newcastle United | 29 | 9 | 8 | 12 | 25 | 41 | −16 | 35 |
| 14 | Southampton | 29 | 10 | 4 | 15 | 35 | 52 | −17 | 34 |
| 15 | Brighton & Hove Albion | 29 | 6 | 11 | 12 | 32 | 40 | −8 | 29 |
| 16 | West Ham United | 29 | 7 | 6 | 16 | 35 | 50 | −15 | 27 |
| 17 | Watford | 29 | 6 | 9 | 14 | 27 | 44 | −17 | 27 |
| 18 | Bournemouth | 29 | 7 | 6 | 16 | 29 | 47 | −18 | 27 |
| 19 | Aston Villa | 29 | 7 | 5 | 17 | 34 | 56 | −22 | 26 |
| 20 | Norwich City | 29 | 5 | 6 | 18 | 25 | 52 | −27 | 21 |

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# এটলেটিকো মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, জুন ১৮ (এজেন্সী):
স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালীগাগী ঙসি শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এটলেদিকো মাদ্রিদনা ওসাসুনা ফুটবোল ক্লবপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

অল সদার ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লালীগাগী ২৯শুবা মেচ অদুদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু হৌবদগী হৌনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী জে ফেলিক্সনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ওসানুনাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখিদে। মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ৯ চংশিল্লকপদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা দি কোষ্টানা পীরকপা পাস অমদা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জে ফেলিক্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৫৬শুবা মিনট অদুদা ওসাসুনাবু এটলেটিকো মাদ্রিদনা ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

লীগ অসিগী ২৮শুবা রাউন্দ শান্নখিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ৪২ ফংদুনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ওসাসুনাগী টিম পোইন্ট ৩৫ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি।

শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথবা হেনখিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী আই পেরেজনা পীরকপা পাস অমদা এম লোরেন্টেনা পাঞ্জল চন্দুনা ওসাসুনাবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী মখা চথরকপা ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩-০ মাংজিল থাদুনা লৈরবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী এ মোরাতানা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা নকশিনখি। মেচ লোইগদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা ওসাসুনাগী মায়কৈদা মখা তানা এটেক চথবা ঙমখিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী এম লোরেন্টেনা পীখিবা পাস অমদা ৱাই করাস্কোনা পাঞ্জল চন্দুনা ৫-০দা মেচ অদু মায় পাকখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Barcelona | 29 | 20 | 4 | 5 | 69 | 31 | +38 | 64 |
| 2 | Real Madrid | 28 | 17 | 8 | 3 | 52 | 20 | +32 | 59 |
| 3 | Sevilla | 29 | 14 | 9 | 6 | 42 | 30 | +12 | 51 |
| 4 | Atlético Madrid | 29 | 12 | 13 | 4 | 37 | 22 | +15 | 49 |
| 5 | Real Sociedad | 28 | 14 | 5 | 9 | 46 | 34 | +12 | 47 |
| 6 | Getafe | 29 | 13 | 8 | 8 | 38 | 27 | +11 | 47 |
| 7 | Villarreal | 29 | 13 | 5 | 11 | 46 | 38 | +8 | 44 |
| 8 | Valencia | 28 | 11 | 10 | 7 | 39 | 40 | −1 | 43 |
| 9 | Granada | 29 | 12 | 6 | 11 | 37 | 35 | +2 | 42 |
| 10 | Athletic Bilbao | 29 | 9 | 12 | 8 | 32 | 26 | +6 | 39 |
| 11 | Osasuna | 29 | 8 | 11 | 10 | 35 | 44 | −9 | 35 |
| 12 | Levante | 29 | 10 | 5 | 14 | 34 | 42 | −8 | 35 |
| 13 | Real Betis | 29 | 8 | 10 | 11 | 40 | 47 | −7 | 34 |
| 14 | Valladolid | 29 | 7 | 12 | 10 | 25 | 34 | −9 | 33 |
| 15 | Alavés | 28 | 8 | 8 | 12 | 29 | 39 | −10 | 32 |
| 16 | Eibar | 29 | 7 | 7 | 15 | 30 | 46 | −16 | 28 |
| 17 | Celta Vigo | 29 | 5 | 12 | 12 | 22 | 35 | −13 | 27 |
| 18 | Mallorca | 29 | 7 | 4 | 18 | 28 | 49 | −21 | 25 |
| 19 | Espanyol | 29 | 5 | 9 | 15 | 25 | 46 | −21 | 24 |
| 20 | Leganés | 29 | 5 | 8 | 16 | 22 | 43 | −21 | 23 |

বুন্দেসলীগা ২০১৯-২০

# ২শুবা পোজিসনদা লৈরিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু মাইন্স ০৫না পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

বর্লিন, জুন ১৮ (এজেন্সী):
জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলীগা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা বোরুসিয়া দোর্টমুনবু মাইন্স ০৫না পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সিগনেল ইদুনা পার্কতা শান্নখিবা মেচ অদুদা বোরুসিয়া দোর্টমুনবু পোইন্ট টেবলদা ১৫শুবদা লৈরিবা মাইন্স ০৫না ৩২শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি।


মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লক্কদবা মতম য়ামশিল্লক্লুবদা মাইন্স ০৫কী মায়কৈদগী বি বাকুনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট জে বুরকার্টনা ৩৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। হাফ মতুং মেচ মখা চথরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মখা তানা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারিবা মাইন্স ০৫কী শান্নরোয়শিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা জে মাতেতোনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

বোরুসিয়া দোর্টমুনগী মায়কৈদগী মখা তারকপা মেচকী অরোইবা মিনট ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা, ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা বেয়র লেবরকুসেননা এফ সী কোনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৪শুবদা হায়গৎখি। ৮শুবদা লৈরম্বা হোফেনহেমনা ওগসবর্গপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা ৭শুবদা হায়গৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bayern Munich | 32 | 24 | 4 | 4 | 93 | 31 | +62 | 76 |
| 2 | Borussia Dortmund | 32 | 20 | 6 | 6 | 82 | 37 | +45 | 66 |
| 3 | RB Leipzig | 32 | 17 | 12 | 3 | 79 | 34 | +45 | 63 |
| 4 | Bayer Leverkusen | 32 | 18 | 6 | 8 | 60 | 42 | +18 | 60 |
| 5 | Borussia | 32 | 18 | 5 | 9 | 61 | 38 | +23 | 59 |
| 6 | VfL Wolfsburg | 32 | 12 | 10 | 10 | 44 | 41 | +3 | 46 |
| 7 | 1899 Hoffenheim | 32 | 13 | 7 | 12 | 45 | 53 | −8 | 46 |
| 8 | SC Freiburg | 32 | 12 | 9 | 11 | 43 | 44 | −1 | 45 |
| 9 | Eintracht Frankfurt | 32 | 12 | 5 | 15 | 55 | 57 | −2 | 41 |
| 10 | Schalke 04 | 32 | 9 | 12 | 11 | 37 | 50 | −13 | 39 |
| 11 | Hertha BSC | 32 | 10 | 8 | 14 | 45 | 57 | −12 | 38 |
| 12 | Union Berlin | 32 | 11 | 5 | 16 | 38 | 54 | −16 | 38 |
| 13 | 1. FC Köln | 32 | 10 | 5 | 17 | 49 | 62 | −13 | 35 |
| 14 | FC Augsburg | 32 | 9 | 8 | 15 | 43 | 60 | −17 | 35 |
| 15 | Mainz 05 | 32 | 10 | 4 | 18 | 41 | 63 | −22 | 34 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 32 | 6 | 11 | 15 | 35 | 63 | −28 | 29 |
| 17 | Werder Bremen | 32 | 7 | 7 | 18 | 35 | 65 | −30 | 28 |
| 18 | SC Paderborn (R) | 32 | 4 | 8 | 20 | 34 | 68 | −34 | 20 |

# এ টি পি অমসুং দব্লীয়ু টি এ মখা চথরক্কদবনা ফ্রেন্স ওপন সেপ্টেম্বর ২৭তগী হৌরগনি



পেরিস, জুন ১৮ (এজেন্সী):
মালেমগী নুপা অমসুং নুপীগী টেন্নিসকী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা এ টি পি (এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেস্নেল) অমসুং দব্লীয়ু টি এ (ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন)না ওগষ্ট থাদগী তোঙান-তোঙানবা টেন্নিস টুর্নামেন্টশিং মখা চথরক্লবগী থবক থৌরম পায়খৎলকপনা মরম ওইরগা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ সেপ্টেম্বর ২৭তগী হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চহী খুদিংগী মে থা অমসুং জুন থাদা পাঙথোক্তুনা লাকপা ফ্রেন্স ওন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম য়ৈথোক্তুনা লাকখিনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদা গ্রান্দস্লাম টেন্নিংস টুর্নামেন্ট মরিগী মনুংদা অহানবা ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুং ইংলেন্দদা পাঙথোক্কদবা ৱিমবল্ডন টেন্নিস টুর্নামেন্ট কেন্সেল তৌখিবনি।

ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি সেপ্টেম্বর ২৭তগী হৌরগা ওক্টোবর ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না ফ্রেন্স টেন্নিস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট বর্নাদ গুদিসেলিনা ফোঙদোরক্লি।

# খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সকী মনুংদা মিজোরাম ষ্টেটসু য়াওখ্রে

আইজোল, জুন ১৮ (এজেন্সী):
মিজোরামগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রোবার্ত রোমাৱি রোইতেনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না খেল্লো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স (কে আই এস সী ঈ)গী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ষ্টেট ৮ লাউথোকপগী মনুংদা মিজোরামসু য়াওখ্রে হায়রি।



স্পোর্টস মিনিষ্টর রোইতেনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা আইজোলগী মোলপুই লোকেলিটিদা লৈরিবা রজিব গান্ধি স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মনুং চল্লিবা আইজোল স্পোর্টস একাদেমিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না কে আই এস সী ঈ শেমগৎনবগী অহানবা তাঙ্কক্কী ষ্টেট ৮ খনগৎপদা কমপ্লেক্স অসি য়াওখিবনি।

মিজোরামগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রোবার্ত রোমাৱি রোইতেনা ঙরাং ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অদুদা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স শেমগৎনবগীদমক্তা আর দেংথ্লামা মল্টিপরপজ হোল, মিজোরাম ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সিল হোষ্টেল, হাওলা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, আইজোল এক্বাটিক সেন্ট অমদি অতোপ্পা ফেসিলিটিশিং অদু কে আই এস সী ঈগী মখাদা শেমগৎকদৌরি।

রোইতেনা মখা তানা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা কে আই এস সী ঈগী মনুং চন্না ষ্টেট অদুদা বোক্সিং, ৱেথলিফটিং অমসুং জুদো মশান্নদা অহানবগী ওইনা অকনবা মীৎয়েং চংশিনগদৌরি। মখা তানা অতোপ্পা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংসু হাপচিন্নবগী পান্দম থল্লি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক আইজোলদা ভাবোক ২০,০০০ চনবা ষ্টেদিয়ম অমা শেমগৎলি হায়রি। ষ্টেদিয়ম অদু কুমজা ২০১৬কী মার্চ ৬তা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা উরেপ উয়ুং তন্নম্বনি। হায়রিবা কমপ্লেক্স অসিদা কুমজা ২০১২দা ২৬শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস মায় পাক্না পাঙথোকখি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খেল্লো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সকী অহানবা তাঙ্কক্কীদমক খনগৎখ্রবা অতোপ্পা ষ্টেট ৭ অদুদি মণিপুর, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, কর্নাটকা, ওরিষা, কেরলা অমসুং টেলঙ্গনানি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেসিলিটিশিং অদু মালেমগী থাক্তা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অদুগা মান্না শেমগৎকনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com